**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-10.2024)**

**ক্বাক তানবা (এল)ঃ** মৈহৌরোলদগী মেরা থাগী ১০ নি পানবা নুমিৎতা লৈবাক নিংথৌনা লমদম অসিবু চাহোং ঙাহোংবা অমদি মরা চেৎপা লমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ক্বাক তানবগী থৌরম ঙসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শিনদুনা চৎনবী অমদি নাৎকী ওইবা লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা ক্বাক তানবগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। নিংথৌ পাল্লিবৈঙে মতমদগী চৎনদুনা লাকপা লীক্লমশিং কায়হন্দনা ক্বাক তানবগী থৌরম ঙসি অয়ুক্তগী হৌখি। লানচিং পুরেল য়াওনা সনা কোনুংগী ফমাইবশিংনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবদা খুরুম্বনা থৌরম অসিগী হৌদোকপা শরুক ওইখি।

তুংদা, নুংথিল পুং অহুমলোম তারকপা অদুৱাইদা সনা কোনুংদগী ৱাংখৈ অঙোম লৈকাই কম্যুনিতি হোল তমা চৎতুনা মফম অদুদা ক্বাক তানবগী মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি।

মফম অদুদা অমাইবী থৌগল জগোই, লাচিং পুরেলগী সিনৌ লৈতেং থৌগল, পানা মরিগী খৌশাবা, নাৎকী জগোই অমদি থাং-তানচিংবা থৌগল পাঙথোকখি। ক্বাক তাল্লুরবা মতুং নুমিদাংৱাইরম লানচিং পুরেলনা নিংথৌদা ক্বাকী লানপাউ তমখি। মদুগী তুংদা, নিংথৌনা ক্বাকশঙ মনুংদা ইরাৎ থৌনি তৌদুনা রাজ্য অসিদা অৱা-অনা অমদি চাহোং ঙাহোংনবা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** ক্বাক তানবা নুমিৎকা মরী লৈননা শ্রী শ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্ডকী চৈরাক লোইশঙনা ঙসি ডাক্তর পুখ্রম্বম তেজবতি দেবীদা স্পিপসিএল

এৱার্ড পীখ্রে।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা ঙসি তোঙান তোঙানবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। অহুমনা অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোইনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ৱাংজিং ৱাই.কে. কলেজ মনাক্তা লৈবা তেন্থা লমখাইদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়রোম তাবদা মোটোর সাইকল বুল্লেট অমগা হেভি দ্যুতি মোটোর সাইকল অমগা থেংজিন্নবদা বুল্লেট তোংদুনা লাকপা মীওই অদু লৈখিদবনি। মহাক রিমসতা পুখৎলকপা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। অতোপ্পা থৌদোক অসিদা অশোক অপন নংখিবা মীওই অনি মখা তাবা লায়েংনবা রিমস হোস্পিতালদা লৈরি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ঙসি নুংথিল পুং অমা মখায় তাবা অদুৱাইদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই শজান শঙলেন মপাদা ঈশিং টেঙ্কি গাড়ি অমগা এক্তিভা অমগা থেংজিন্নবদা এক্তিভা থৌরকপা মীওই অমা শোক্লে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রা লম্বীদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়রোম তাবদা এক্তিভা অমগা সেকেন্দ কুমাউন্ট রেজিমেন্টকী কেসপর অমগা থেংজিন্নবদা গাড়ি মচা তোংবা মীওই অদু শোক্লে। শোক্লবা মীওই অদু কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর মোইরাংদা ফার্ষ্ট এদ পীরবা তুংদা ইম্ফালগী লন্নাই হোস্পিতাল অমদা পুখৎতুনা মখা তানা লায়েংলি।

**বোম (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওইনা পুরিবা শ্রী রেমৈ আলিমৈগী চিংমৈরোংদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিনদুনা অকি-অখঙ থোকহনখিবগী থৌওং অদুবু রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**মিসিং (এল)ঃ** কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুল্লাকপাৎ ময়াই লৈকাইদগী ঙাঙোম শ্রীনিবাস সিংহ, চহি ১৮ অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-অঙোম শ্রীনিবাস অসি নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা য়ুমদগী থোকখ্রগা মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। মহাক ফিট মঙা ইঞ্চি তরুক ৱাংই, কুলৈ-কুচুনি। মহাকা থোকখিবা মতমদা অমুবা মচুগী জিন অমদি অমুবা মচু অমদি হঙ্গামপাল মচুগী জোগীং অমা লিৎখি। মহাকপু থেংনরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবিয়ু।

**এন্নাউন্সর (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী মণিপুরীগী জেনেরেল এন্নাউন্সর লৌনবগী ওদিসন-ভোইস টেষ্ট ওক্তোবর ১৫ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী মথং নুমিৎ ওক্তোবর ১৬, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়ানা লমফেলপাৎতা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী কলেজ ওফ ফুদ টেকোলোজিদা চৎতুনা কলেজ অদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখি।

শ্রী অচ্যারিয়াবু য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রা অমদি অতোপ্পা ফেকলতিশিংনা তরামা ওকখি। রাজ্যপালনা, কলেজ অসিগী ফুদ প্রোসেসিংগী মচাক মথুমশিং, কলেজ অসিগী কেম্পসতা লৈরিবা বাইও ফ্লেক য়ুনিট অমদি ঙা মচিঞ্জাক শেম্ফমশিংসু য়েংশিনখি।

তুংদা, মহাকা য়ুনিভরসিতি অসিদা তল্লিবা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নখি। লৈবাক অসি চাউখৎপদা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু শিংথারদুনা হৌজিক্কী মীরোলনা তুং কোইবা লৌউ পথাপ অমসুং মচি

ওইবা চিঞ্জাক্কী মতাংদা খঙবা তঙাইফদে হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

**অকাশবানি ঃ** স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ষ্টেসন অসিগী ওফিস কমপ্লেক্স অমদি অকোইবগী লমশিং শেংদোকখ্রে।

**বিএসএফ (এল)ঃ** বি.এস.এফকী ১৩১ শুবা বটালিয়ননা শিনদুনা ঙসি ককচিং জিলাগী সুগ্ কৈথেল অমসুং সেরৌ থোংদা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বটালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট-এস.ঐচ.কে.এস. নৌতিয়ালনা লুচিংদুনা বি.এস.এফকী পার্সোনেলশিং অমসুং মফম অদুগী খুঞ্জা কয়া শরুক য়াখি।

**মীতৈ (এল)ঃ** মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা হন্দক্তা মনিপুর লৈঙাকা ১৯৬৪ গী মতুংদা শেমগৎলকখিবা খুলশিং খঙদোকবা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু তরামা ওক্লি।

মনিপুরদা মীতোপ খঙদোকবা ভারতকী আইননা পীরগা লৈরবা ফোরেন্নর এক্ট-১৯৪৮ অসিগী মখাদা অথুবদা থবক অসি পায়খৎপীনবা লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ২৬ শুবা ফাউন্দেসন ডে ওবজারভেসন দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শিনদুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ফেদরেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

**পাস্তর (এল)ঃ** খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী পাস্তর এপ্রিসেসন ডে নৎত্রগা পাস্তর ডে ঙসি চান্দেল অমসুং নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিদা পাস্তরশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নোনে জিলাদা লৈবা রোংমৈ বেপটিস চর্চ কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা চর্চশিংদা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**নোং ঃ** অৱাং নোংপোক ভারত মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই ওইরগুগী কল্লপ নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুংইন্না অন্দমান নিকোবর ঈথৎ, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী মফমশিংদা নোং চুগনি। করনাতক্কী খা থংবা শরুক, কেরলা অমসুং তামিলনাদুগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙা-তরুকি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

**মাষ্টর প্লান ঃ** তোঙান তোঙানবা লমদা কন্নেক্তিভিতি হেনগৎহন্নবগী পি.এম. গতি শক্তি নেসনেল মাষ্টর প্লান ঙসি চহি অহুম মপুং ফারে। তোঙান তোঙানবা শেল থুমগী লমদা মল্টি মোদেল কন্নেক্তিভিতিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংহন্নবগীদমক মাষ্টর প্লান অসি ২০২১ দা হৌদোকখিবনি। পি.এম. গতি শক্তিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং থৌরাং তৌদুনা পায়খৎনবগীদমক কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় ৪৪ অমসুং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩৬ পু পুন্না থবক তৌহল্লি।

কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি-পি.এম. গতি শক্তিনা ভারতনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং করমা শেম শাদুনা থবক পায়খৎপগে হায়বদু উৎলি। মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিং অমদি রাজ্যশিংদগী খোমগৎলকপা দেটাশিং পুনশিল্লকপা অসি সরকারনা থবক নিংথিনা পায়খৎপদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অফবা ফল ফংবা ঙম্মী।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী লৈবাক অহুম- অলজেরিয়া, মৌরিতানিয়া

অমসুং মালাৱিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌখ্রে।

রাস্ত্রপতি-মুরমুনা আফ্রিকাগী লৈবাক অহুম অসিদা চৎপা অসিনা লৈবাক অসিগী অহানবা রাস্ত্রপতিনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাকশিং অসিগী লুচিংবশিংগা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱারী শান্নগনি অমদি মফম অদ্দা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নগনি। মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙসি ভারতকী মতম নুমিদাং পুং ৯ তাবা মতমদা অলজেরিয়াদা থুংগনি।

শ্রীমতি মুরমুনা মহাক্কী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা অলজেরিয়াগী কলচরেল অমসুং হিষ্টোরিকেল সাইটশিং-মকম একাহটি, মারতিয়র মেমোরিএল, রোমান রুইন্স অমসুং হামা গার্দেনদসু চৎকনি। থা অসিগী ১৭ তা রাস্ত্রপতিনা মৌরিতানিয়াগীদমক অলজেরিয়া থাদোক্কনি।

**হোম ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা সেন্ত্রেল দিপার্টমেন্ট অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা লাক্লিবা ওক্তোবর ২৪ দা ভারতকী অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফিরাল পুন্না পাইহন্নবা খঙহনখ্রে।

খোঙথাং অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স লীংখৎখিবগী নুমিৎ য়ুনাইটেদ নেসন্স ডেগা মরী লৈননা লৌখৎখিবনি। অদুমওইনমক, ভারতকী রাস্ত্রপতি ভবন, ভাইস প্রসিদেন্টকী হাউস, পার্লিয়ামেন্ট হাউস, সুপ্রিম কোর্টকী বিল্ডিং, রাজ ভবন, বিধান সভা, বিধান পরিষদ অমসুং হায় কোর্টশিংদি হায়রিবা ৱাফম অসি চৎনরোই।

**দিজাস্তর ঃ** মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে ওফ দিজাস্তর রিস্ক রিদক্সনগী থৌরম পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগী পান্দমদি, মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা অমসুং মতৌ করমা খুদোংথিবশিং ঙাকথোক্কদগে হায়বসিনি।

কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী ৱাখল্লোনন্দি-তুংদা মহৌশাগী খুদোংথিবশিং থেংনবা ঙমবগীদমক হৌরক্লিবা মীরোলবু হেন্না শক্তি লৈহনবনি। মসিনা মহৌশাগী খুদোংথিবা লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবা নহাশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা শিক্ষাগী মরুওইবা পল্লি। কুমশি চহিগী নুমিৎ অসি পালন তৌবগী মরুওইবা ৱাখল্লোনদি-অঙাংশিংদা শিক্ষাগী মতেংনা মহৌশাগী খুদোংথিবদগী মখোয়গী ইমুং অমসুং খুন্নাইবু কঞ্জনবগীদমক এজেন্ট অমা ওইহনবনি।

**বোম্বুলা ঃ** দিৱালি কুম্মৈগা মাংওইননা দিল্লি পুলিস ক্রাইম ব্রান্সনা কিলোগ্রাম লিশিং ১,৩২৩ গী আইননা য়াদবা বোম্বুলাশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

বোম্বুলাশিং অসিবু লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিগী অনকপা মফমশিংদা পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা দ্রাইভর অমা য়াওনা মীওই অহুম পুলিসনা ফাগৎলে। দিল্লি পুলিসনা আইননা য়াদবা বোম্বুলাশিং অসি থিংবগী পান্দমদা দিল্লিগী ভাবত্রোলা খুঙ্গং, আউটর দিল্লি অমসুং কিরালিগী অকোইবদা লৈবা গোদাউন্দশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি।

**পাকিস্তান** ঃপাকিস্তানদা পঞ্জাব সরকারনা রৱালপিন্দিদা সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা ওক্তোবর ১৭ ফাওবা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসি ইস্লামাবাদতা ওক্তোবর ১৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা শংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসন মীফমগী য়েংলগা আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাকনবা পান্দমদা থম্বনি।

অথিংবা অসিগী মখাদা রাজনীতিগী ওইবা মীফম, ৱাকৎ মীফম ফম্বা, রেল্লি অমসুং মসিগা মান্নবা অতৈ অতোপ্পা থৌরমশিং পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রে। রৱালপিন্দিদা থল্লিবা অথিংবা অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চৎনগনি।

**এঠলেটিক্স (এল)ঃ** মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক এসোসিয়েসন (এম.এম.এ.এ)

না শিনদুনা ঙরাংদগী খুম্মন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ৪৩ শুবা ষ্টেট লেবেল মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক মিট ২০২৪ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী মাস্তরস এঠলেট পুন্না ১৮২ রোমা শরুক য়ারগা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২১ দা অথোই অহেনা তান্নখি। ষ্টেট মিট অসিদা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং মথং চহিগী জানুৱারীদা কেরলাগী তিরশুরদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল মাস্তর এঠলেটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুরগী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়াগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহৈবম বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হয়েংদগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজতা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি অসি বিরমঙ্গোল কলেজ-শওম্বুং অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি স্পোর্টস কমিতিনা পুন্না শিনবনি।

**টেনিস ঃ** কজাগস্থানগী অস্তানাদা শান্নবা এসিয়ান টেবল টেনিস চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী তোপ রেঙ্ক ওইরিবা জ়রা অহিকা মুখর্জি অমসুং সুতিরথা মুখর্জি, সেমি ফাইনেলদা জপানগী জ়রাগী মখুৎতা ০-৩ দা মায়থিবদগী শেঞ্চেংগী তকমান ফংলে।

**ক্রিকেট ঃ** সারজহাদা চথরিবা আই.সি.সি. ৱিমেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা হৌজিক ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া শান্নরি।

ভারতনা হৌজিক ফাওবা মেটচ অহুম মনুংদা অনি কাদুনা গ্রুপ (এ) গী অনিশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি নুংথিল পুং অহুম মখায়দা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা স্কোটলেন্দবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি।